## মেঘালয়না মাঙহল্লমদে, মণিপুরনা মাঙহনবনি সেপ্টেম্বর ২১, ১৯৪৯গী অহিংবা ফুরা

সেপ্টেম্বর ২৯, ২০২৫দগী মথক কুপ্পা জিজ্ঞ অমসুং ফক্লাংনচিংবা শিদোকপা হৌরক্লগা ওক্টোবর ৮, ২০২৫গী নুংথিলদা পুমশি-শিদোকখ্রবা শিল্লোংগী মণিপুর রাজবারিগী 'রিমেন্স' হায়বদি শাবদা শীজিন্নরম্বা উ-ৱা, য়েনধৌ, লৈবাক, চেক-নুঙ অমসুং শুর্কিনচিংবশিংদুবু পোষ্ট মোর্টেম এগজামিনেশন তৌবা য়াগদ্রা? শীংকুপ শানা য়ানখাইরগা উফুল তাহনখ্রবা মচাকশিংদু হায়রিবা এগজামিনেশনসি তৌবা-পাঙথোকপা য়াবা, য়াগদবা ওইরবদি মখূৎনা ফংনা শিদোকখিবা মীওই (লেবর) শিং, মণিপুর লৈঙাক্কী আর্ট এন্দ কলচর লোয়শঙ, প্লান্নিং এন্দ দিভেলপমেন্ট ওথোরিটি (পি দি এ) য়াওনা ষ্টেট আর্কিওলোজি অমসুং হন্দক্কী থৌদোকসিদা চেন্নবা, থৌদাং লৌখিবা মরী লৈনবা লোয়শঙগী ওফিশল পূম্নমকসু পোষ্ট মোর্টেম এগজামিনেশন তৌথোকপা য়াগদ্রা? হায়রিবা এগজামিনেশন মখলসিদি থৱায় পান্দুনা হিংলম্বদগী হিংদ্রবা, শিরবা মীওইশিং য়াওনা অখন্নবা থৌদোক খরদা থৱায় পাল্লম্বা খরদা পাঙথোক্লবনি। হৌজিক হিংলিবা, আর্ট এন্দ কলচর, পি দি এ, ষ্টেট আর্কিওলোজি লোয়শঙগী মরী লৈনবা ওফিশলশিংবু পোষ্ট মোর্টেম এগজামিনেশন তৌবা য়াগদ্রা, তৌগে হায়বদা য়ারক্কদ্রা? তৌবা তারগনা রিমস, জেনিমসকী মীরেলশঙদা তৌগদ্রা নৎত্রগা ওল ইন্দিয়া ইন্সটিট্যুট ওফ মেদিকেল সাইন্সেস (এইমস) কী মোর্চুঅরি অমদা পুরগা তৌরুগদ্রা? অহিংবশিংসিদি অশিবা নত্তবনিনা তৌবা য়াদ্রগনা সেন্ত্রেল ফোরেন্সিক সাইন্স লেবোরেটরি অমদা পুরগা 'লাই দিক্টেটর মেছিন' নচিংবা শীজিন্নরগা টেষ্ট তৌথোক্কদ্রা হায়বনি। মরমদি শিল্লোংগী শিদোকফমদু তান্না পাউমী ৪/৫গা পুরগা 'ঐখোয়দি ইমপ্লিমেন্টিং এজেন্সীনি, আর্ট এন্দ কলচরদা পেরেন্ট দিপার্টমেন্টনি' হায়খিবা পি দি এগী কাঙবুদুনা 'হেরিটেজ' অমসুং 'হিষ্টরিকেল মোন্যুমেন্ট' গা হায়বসিগী ৱাখল (আইদিয়া) অমত্তা চেনখিদবা, পকখিদবরা হায়বনি। মণিপুর লৈঙাক্কী মখাদা লৈরক্লিবা পি দি এনা মসিগী মমাঙদা মণিপুরগী পুৱারীগা শাগোন্নবা মফম অমত্তদা থবক অমত্তা শুখিদবা জাৎলা? অসিগুম্বা থবক মখলশিংসিদি এম দি এস, পি দব্লিয়ু দি, মণিপুর পুলিস হাউজিং কোর্পোরেশন নৎত্রগা মণিপুর ত্রাইবেল দিভেলপমেন্ট কোর্পোরেশন লিমিটেদ (এম টি দি সী) নৎত্রগা টেক্নিকেল এন্দ প্রমোশনেল সেল (টি পি সেল) হায়দুনগদা তৌখিব্রা হংবনি।

পি দি এদা হংলিবা ৱাহংসিবুদি ময়ায় চবুক্তগী খাঙতপ্তা হংবা ওইনা থোক্লে। অহানবা অমসুং ৱাহং মকোক্তি 'দিটেল প্রোজেক্ট রিপোর্ট' (দি পি আর) শেম-শাবা কনানো, কনানা অয়াবা পীবনো হায়বসিনা ওইগদবনি। ৱাহংশিংসি হঞ্জিন-হঞ্জিন কোৎথোক্তবা য়াদবদগী পোপথোরকপনি। শিদোকখ্রে, পুমথু-থুদেকখ্রে, উফুল ওলহনখ্রে, লোইখ্রে হায়দুনা নমশিন্দুনা থম্বা য়াদে। এন ঈ সীনা লুপা ক্রোর ২গা লাখ ৩৭ লোম পীরক্লে অমসুং শেলসিনা পাঙথোক্কদবা থবকশিংনা মথং চহী ২০২৬কী মার্চ ফাওবদনি হায়রক্লেনা শিৎ-নান্না শিদোকপনি হায়দুনা খুল্লকফম থোকপ্রা? এন ঈ সীনা অমুক নৌনা সনানা ময়ুং কারগা লুপানা মফেল ওইদুনা শাগৎলগা মথক্তা তম্ফা থিনবা কোন্নবা লুপা ক্রোর লাখ অমা পীরক্তুনা অনৌবা'মা শারবসু হেরিটেজ অমসুং হিষ্টরিকেল মোন্যুমেন্ট হায়বশিংসিগী মমি তাগদৌরিব্রা হায়বনি। মম্বাইদনি দি পি আরদগী হৌরগা শিদোকপা ফাওবদা থৌদাং লৌদুনা চেন্নখিবা মীওইশিংদুগী মশা পূম্বা তৌবা য়াদ্রবসু মকোক-মকোকশিংদুদং ওইরবসু এগজিক্যুটিভ মেজিষ্ট্রেট অমগা য়াওহল্লগা ভিদিও কভরেজগা তৌরগা পোষ্ট মোর্টেম এগজামিনেশন তৌথোকপা য়ারবদি অমত্তা চিংখদনা শিৎ নান্না খঙবা ঙমনি খল্লি। চহী ১০০ শুজিল্লক্লবনিনা মণিপুর রাজবারিসিগী ৱারী শীংবুলশিং শোয়দনা মরোল-মরোল লৈগনি। লৈফম থোকই। করম্বা চহীদা নিংথৌ কনাগী মতমদা লমদু লৌদুনা করিগীদমক শাখিবনো হায়বদগী হৌরগা শিদোকপা ফাওবগী মরক্তা শাংলবা ৱারী অমা লৈগদোইনি। অদুবু লোইনা কোৎথোক্লুদ্রবসু ওক্টোবর, ২০২৫গী অহানবা চয়োলদা লৈঙাক শেমহনবীয়ু হায়জরুনি অমসুং তকশিল্লুনেনা দেল্লীদা চৎনরুবদগী হন্নরকখিবশিংগী মনুংদা য়াওরকখিবা চীফ মিনিষ্টর ওইরম্বা নুপাদুনা পাউমীশিংদা হায়খিবশিংদু নীংশিংবা য়াই। মার্চ ১৫, ২০১৭তগী মহাক্না লুচিংবা লৈঙাক লৈরকখিবা মতমদা রাজবারিসি মণিপুরগী ওইনা হায়বদি ষ্টেট লৈঙাক্কী ওইনা লৈরমদে হায়বনি। চীফ মিনিষ্টর ওইখিবা মহাক্না 'জি এ দি' সু পায়বদগী লোয়শঙসিনা মেঘালয় লৈঙাক্তা অইবা চেরোল থাদুনা তক্লরকপদগী কুমজা ২০২১দগী খক্তদা মণিপুর লৈঙাক্কী ওইজরকখিবনি হায়বনি। ওইরকখ্রিবদু চহী অসুক্কী লিজ ওইগেরা-ওইরোইরা, মণিপুর লৈঙাক্না মমল য়াম্না নৎত্রগা য়ামদনা খজিক্তং পীবা-পীদবনা অমনি। রাজবারি লৈরিবা মফমদু মণিপুর লৈঙাক্কী ওইদ্রিঙৈদা মেঘালয় লৈঙাক্না মাঙহনখিদে, মাঙহল্লমদে হায়বসিমদি ময়েক পুমশেং শেংলবা নৎত্রা? অদুগা পুমশি শিদোক্তুনা থুদেকখ্রিবসিনা মণিপুর লৈঙাক্কী মখাদা লৈরবা মতুংদনি। ৱাফম অনীসিদি 'লাউদ এন্দ ক্লিয়র' অমসুং 'খৃষ্টেল ক্লিয়র'নি। মসি ওইরগদি শিদোক্তনা হান্নগী ফীভমদু মপোপ কায়হন্দনা য়োকখৎতুনা থম্নবা থবক ওইনা পাঙথোক্লম্বা অমসুং পায়খৎলম্বদি য়াদব্রা হায়বনি। মম্বাইদা লৈরকখিবা রাজবারিদুগী মরু ওইবদুগা মসিবু শিদোকখিবগীনি হায়রিবা মরমশিংদুগগী মরক্তা চাংদম্নরগা য়াম্না ময়েক শেংবা ৱাফমশিং মণিপুরগী মীয়ামদা নমায়-নমায়শিংদু থাঙ্গৎলগা নরোলগদু লৎ-লৎ তৌদনা, নমিৎকদুনা কোইয়েং-য়েংদনা শকফম কায়হন্দনা হায়রকপা ঙমগদ্রা হায়বনি। অমা ওইগেরা, অমা ওইগেরা রাজবারিদু শিল্লোংদা লৈবনি। হায়বদি মেঘালয় ষ্টেটতনি। মণিপুরগী নিংথৌগী অমসুং মহাক্কী ইমুং-মনুংগী ওইরম্বা, মখোয়গী মরক্তগী য়োনবা ঙম্বশিংনা য়োম্থোক্লম্বা, মণিপুর লৈঙাক্না হায়জবা, তক্লবদগী অমুক হঞ্জিল্লকখিবা ওইরবসু মেঘালয় লৈঙাক্নদি শিদোক্লমদে, থুদেক্লমদে হায়বনি। মসিমক্না মণিপুরনা ইন্দিয়াদা পুনখিবা থৌদোক্কী অহিংবা পুৱারী অমা ওইদুনা লৈরকখিবনি। রাজবারি শিদোকখ্রগা মণিপুর নিংথৌ পানবা লৈবাক অমা ওইরমদে, রাজবারিসিদা 'মর্জর এগ্রীমেন্ট' তা খূৎয়েক পীহন্নবগীদমক 'হাউস এরেষ্ট' তৌদুনা থমখিদে অমসুং নমদুনা খূৎয়েক পীহনখিদে হায়রক্কদবা লৈতে। অদুবু চীংলৈবাক মণিপুরনা চাওখৎখ্রবা ইন্দিয়াগী ফিজোল হোংদোক্তুনা অনৌবা শক্লোন অমা হোংহনবিখিবা মফমদু ফাওবদি শেল য়াঙ্গোন অমা চঙলবসু ফীভম কায়হন্দনা থম্লম্বদা কয়ামুক য়াম্না খুদোংচাদবা মায়োক্লখিবগে হায়বনি। হৌখ্রবসু ৱাফমসিদা চনৈ-খনৈনদুনা লৈগনু। অশেঙবা-অচুম্বশিং হায়রকউ। মণিপুরগী মীয়ামদা ঙাকপীফম থোক্ত্রবা নরাল অমা লংশিনখ্রবনি হায়বা য়াজগদবনি।

## মীতৈগী পুয়া 'নিঙ্থৌলোল্ লম্পুপা' (নিংথৌরোল লম্বুবা)-(৬৯০)

(পুয়াগী অরিবা ময়েক্কী বাংলা ময়েক্তা চনম হেমচন্দ্রনা লায়থোক্লা ইথোকপা অসি মীতৈ ময়েক্সু নুমিৎ খুদিংগী ইথোক্তুনা ফোঙজরগনি।)

কাওরেল মশিং থানা শলশিংথিবা। তাওজিং হৈনা ৱাৎলে। কাওরেল শলনা মশিং হেলনা থোইরে। কোরৌ নুমিৎ অমদি লমলেল ঙাংলৌ হাওকমফাইগী। লেমবী শিংনোং ফিঙৌ ফৌ। মতাং শাংনা হৌবা। খুদাপ পায়শিননা য়াননা পায়। কাওরেল শল অমগা নেমবী শিংনাং মপুমমাগা পাননা। মশিং থানা কাওরেল শল মশিং থিবদা। নেমবী শিংনাং মশীংনা ৱাৎলে। কাওরেল শল মশীংনা হেললে। অদু নুমিৎতগী। নোংবাল শলয়ামবা। ●

## ꯃꯤꯇꯩꯒꯤ ꯄꯨꯌꯥ 'ꯅꯤꯡꯊꯧꯂꯣꯜ ꯂꯝꯄꯨꯄꯥ' (ꯅꯤꯡꯊꯧꯔꯣꯜ ꯂꯝꯕꯨꯕꯥ) -(꯶꯹꯰)

(ꯄꯨꯌꯥꯒꯤ ꯑꯔꯤꯕꯥ ꯃꯌꯦꯛꯀꯤ ꯕꯥꯡꯂꯥ ꯃꯌꯦꯛꯇꯥ ꯆꯅꯝ ꯍꯦꯃꯆꯟꯗ꯭ꯔꯅꯥ ꯂꯥꯏꯊꯣꯛꯂꯛꯄꯥ ꯏꯊꯣꯛꯄꯥ ꯑꯁꯤ ꯃꯤꯇꯩ ꯃꯌꯦꯛꯁꯨ ꯅꯨꯃꯤꯠ ꯈꯨꯗꯤꯡꯒꯤ ꯏꯊꯣꯛꯇꯨꯅꯥ ꯐꯣꯡꯖꯔꯒꯅꯤ॥)

ꯀꯥꯎꯔꯦꯜ ꯃꯁꯤꯡ ꯊꯥꯅꯥ ꯁꯂꯁꯤꯡꯊꯤꯕꯥ॥ ꯇꯥꯎꯖꯤꯡ ꯍꯩꯅꯥ ꯋꯥꯠꯂꯦ॥ ꯀꯥꯎꯔꯦꯜ ꯁꯂꯅꯥ ꯃꯁꯤꯡ ꯍꯦꯂꯅꯥ ꯊꯣꯢꯔꯦ॥ ꯀꯣꯔꯧ ꯅꯨꯃꯤꯠ ꯑꯃꯗꯤ ꯂꯃꯂꯦꯜ ꯉꯥꯡꯂꯧ ꯍꯥꯎꯀꯃꯐꯥꯏꯒꯤ॥ ꯂꯦꯃꯕꯤ ꯁꯤꯡꯅꯣꯡ ꯐꯤꯉꯧ ꯐꯧ॥ ꯃꯇꯥꯡ ꯁꯥꯡꯅꯥ ꯍꯧꯕꯥ॥ ꯈꯨꯗꯥꯞ ꯄꯥꯏꯁꯤꯟꯅꯅꯥ ꯌꯥꯟꯅꯅꯥ ꯄꯥꯏ॥ ꯀꯥꯎꯔꯦꯜ ꯁꯜ ꯑꯃꯒꯥ ꯅꯦꯃꯕꯤ ꯁꯤꯡꯅꯥꯡ ꯃꯄꯨꯝꯃꯥꯒꯥ ꯄꯥꯟꯅꯅꯥ॥ ꯃꯁꯤꯡ ꯊꯥꯅꯥ ꯀꯥꯎꯔꯦꯜ ꯁꯜ ꯃꯁꯤꯡ ꯊꯤꯕꯗꯥ॥ ꯅꯦꯃꯕꯤ ꯁꯤꯡꯅꯥꯡ ꯃꯁꯤꯡꯅꯥ ꯋꯥꯠꯂꯦ॥ ꯀꯥꯎꯔꯦꯜ ꯁꯜ ꯃꯁꯤꯡꯅꯥ ꯍꯦꯂꯂꯦ॥ ꯑꯗꯨ ꯅꯨꯃꯤꯠꯇꯒꯤ॥ ꯅꯣꯡꯕꯥꯜ ꯁꯂꯌꯥꯝꯕꯥ॥ ●

# মকোল থাদোক্তুনা পাইখ্রবা চেক্লাগীদমক



### ৱাইরু-ৱাইরুবদা

নোং ঙানবা ঙাইহাক ওইরে। গুলি অমা চাশিল্লবা মতুংদা ঐ কম্প্যুটরদা করি করিগুম্বা খরা ইন্টরনেট হাংদুনা থিরি। অমুকসু ফেসবুক হাংদুনা ফ্রেন্দশিংগী অপদেট য়েংই। তূম্বগা, তূমদবগা থোইনা খেন্নবা ওইদে। হকচাং ইতেক তেকখৎপা ওইদে ঐ। খীং-খাং লাউবা হকচাং ওইরক্তবা কুইরে।

"উই!" থোঙদু গে লাউনা হাংদোক্লগা ইখঙ খঙহৌদনা কৌরকপা খোঞ্জেলনি। তুং ওন্দুনা শৎ লৈথোক্লগা থোঙলোমদা ইথক থক্লা য়েংলুই। মচানুপী ওইরবোই নীংলুবনি মহাক ওইরম্মী। মচানুপীগা মাগদি খোঞ্জেল য়াম্না মান্নজৈ। ঐনা কাদা ফমদুনা কিবোর্দতা টাইপ তৌবগী নম্বা মখোল তাবদা চিংনদনা কৌরকপনি।

"ঙসি অয়ূক্কী ৱাকিং চৎত্রব্রা ঙসিদি, মখোয় বাবা?" নহানমখৈ মান্নদবা মওংদা মানা হংলকই।

"চৎত্রে।"

"করিগীনো?"

"ঙরাং নুমিদাংদি লানগী ফিল্ম অমা লোইফাও য়েংবদা থেঙনা তূম্মে। ঙসাই ঐনা মীকপ থোকপদদি পুং মঙাবু খরা হেনবু হেল্লম্লেনে। ৱাকিং চৎপা খরা থেঙদোকখ্রে। ফিল্মদু উরুবদা লানগী অকিবা পোকই ঐ। হকচাংসে তূমহৌদবনা খরসু ৱারে অদুগা ৱাখলসে লান মফমদা বোবোনা চৎখিবগী ইনুং নুংঙাইতে।"

ঙরাং নুমিদাংদু চাকচা তোক্লবা মতুংদা ঐ শঙ্গোয়গী কাদা মহৌশাগুম্না থেংলপ তূমথখি। হোয়, তূম্লিবরা নৎত্রগা তূমদ্রিবরা মফম মরাং খঙবদি ওইদ্রে। পূক্নীংগী চরাংনবা মরক অদুদা তূম্বা অমদি তূমদবগী খেন্নবা লৈত্রবগুম্বনি। করিনো ঐগী ৱাখল অসিবু অসুক য়াম্না ৱাফম থোকপরা ঐনা হঞ্জিন হঞ্জিন হংখি। অসুক য়াম্নদি কয়া ৱাগল্লমদবনিদা ঐসে।

বোবোগী মমানা হংলরিবদু ঐনা ঙসি অয়ূক্কী ৱাকিং চৎপগী কোন্থোঙ হাংবা তাবদুদা করি করিনো ফত্ত-নুংদা চিংনরমগনি। অয়ূক খুদিং ঐনা ৱাকিং চৎপগী কোন্থোঙ মখোলদু মখোয় চীম্ফা পুরবনি। ঐনগা হন্দক মরক ডাক্তরগী হীদাক অকনবা চারগা লৈবসিদা মহাক ঐবু কূপশেন শেন্নে। ঙসিদি ঐনা তূমিন ঐগী শঙ্গোয়গী কাদা লৈবসিদা মহাক করি করিনো ফত্ত-ফত্তবা ময়াম অমা আ য়ৌনা খঞ্জিল্লমগনি। মাদা নত্তে ঐসু খল্লি ইশাগী হকচাংগী মরমদা মতম্না পুরকপনি হায়শিরা, অঙাংশিংনা চেবাউ পীরকপা হেক উবদা ইমান্নবগী মচাগী লুহোংবগীরা নৎত্রগা মাগী য়ূম শঙ্গাবগীরা হংই অদুবু লাইরিক তম্মীন্নখিবা ইমান্নবগী শোরাৎকী চেবাউ হেক্তা ওইরম্মী। অসিমক য়ৌনসু মানা খল্লমগদবদু ঐনা উরে। খঙদে শিবা হায়বসে মতম অমদা শুক্লীং নীংশিংলমদবা পোৎশক অমনি অদুবু ঙসিদি মীকূপ কাংদনা নীংশিংবা পোৎশক অমা ওইররে।

ঐনা কম্প্যুটর পায়রগা মহৌশাগুম্না লৈরম্বদু উবদা মহাক খরা শ্বর চনীং তানা হোন্দোকচবদি ঙল্লে খঙই। মানা চঙলকপদা হাংদোকখিবা থোঙদু মানা চৎখিবদা অমুক মখোল থোক্তনা মফম চানা চিংশিনবীরল্লগা মহাক অমুক থোকখি। ৱা মখা তারমদ্রে। চৎলমদাইদা কোক্তা পকপা করিনোমা কনথোকপীরম্মী। পূন্সিসে নুংশিবা ফাওদবা ঙমদে। ঐসে অঙাং ওনবা হৌরক্লেকো খঞ্জে।

ইচানুপাদো নহান করিগুম্বা অমগী গুজরাট চৎখিবনি। ওইরক্লিবা ইন্দিয়া অমদি পাকিস্তানগী লানগী নোংমৈ কাপ্লবগী ফীভম অমদি মহাক্কী মফম অদুদা মানা চৎখিবা খোঙচৎকী মতম অসিনসু মরম ওইরগা ঙরাং ঐ ইফক ফকচিনখি। অদুগীনি অদাগীনি হায়দুনা মখোয়না অসুম্না লম লাপ্লা-লাপ্লা চৎখিবসে অফবা মরমগী ওইরবসু ঐদি য়াম্না নুংঙাইতে কনামত্তগা ৱারী শাননীংদে, উংদুনা লৈনীংই। মসি কনামত্তনা খঙবীদবা য়াই। পূক্নীংগী ওইবা অৱাবনা হকচাংগী অৱাবদগী শাংথবা য়াম্না হেল্লি হায়বদু হন্দক্তা চপ চানা পাল্লে।

ইচাশিং অসে ইনাক্তা লোইনা লেঙদনা লৈহন্নীংই ঐদি। মখোয় অসি চৎপা হৈরকপসে ঐ য়াম্না ৱায়। মকোলদগী পাইথোকখ্রবা উচেক মচাশিং তম্বা ঙমদ্রে অদুনা উচেক মচাশিংসে চাউহন্নীংদে, শাংহন্নীংদে। খঙদে চহীনা ওইবসু য়াই পূক্নিং নুংশিবসে য়াম্না হেনগৎলকই। খূৎশা থেক্লগা হিংবা পূন্সি মানশিল্লকই।

ঙসি অয়ূক্কী টেলিভিজনগী ঈ-পাউদা ইন্দিয়া অমদি পাকিস্তান অনী সিজফায়র তৌনরগনি হায়রকই। ঐগী তনীক্লবা পূক্নীংদু মকা লামজখি। ৱাখলদা য়ুরম্বা তিঙ্খং অমা খংশৎ শৎতোকখিবোইনা তৌখি। ল ল লা লা লর লা লা... ফেসবূক পায়না পায়না ঐ ঈশৈ অমসু খঙহৌদনা শোন্থাংননা ঙংথোক্লুই। সিজফায়র লৈরবনিনা অঙাংনা পাকিস্তানগা নক্লনা লৈবা গুজরাটকী মফম অমদা চৎখিবগী অৱাবদুসু কোকপা ঙম্মী। অসুক্কী মতিক লৈতাবা ফাওখি।

অদুবু ফেসবূক্তা ঙাইহাক লৈরগা খঙহৌদনা ফ্রেন্দ অমনা থাগৎপা পাউ অমা অমুক উরকই,

**ব্রিকিং ন্যুজ !**


জম্মু অমদি কাশ্মীরদা পাকিস্তাননা সিজফায়র থূগাইরে। ইন্দিয়া অমদি পাকিস্তান অমুক হন্না লান কনশিল্লকপা য়াই।

ইচানুপাদো ঐনা মাবু প্রপ প্রপ ইনাক্তা লাকহন্নীংলকই। করিগীনো মানা লান তৌরে খঙলমক্তদা অদুক শাথীখ্রবা মফম অদুদা থবক তান্নরিবনি হায়না ইন্টরভিয়ু চৎলিবা অদুবু? মহাক মপূন্সিদা লৈঙাক্কী থবক তৌদ্রবদি হিংবা শুকয়ামক য়াদ্রবরা? ওহ! পাউ অসে ফেক ন্যুজ ওইবিরল্লবদি কয়াগী মতিক নুংঙাইজগদৌরিবা? ●

# হীদাক কান্নরবা পাম্বীশিং ঃ চিনার # ৫১১

— প্রো. হুইদ্রোম বীরকুমার —
চীফ সাইন্টিষ্ট
সী এস আই আর ঃ নোর্থ ইষ্ট ইন্সটিট্যুট ওফ সাইন্স এন্দ টেক্নোলোজি, লম্ফেলপাৎ

চিনার হায়রিবা উজাও পাম্বী অসি জম্মু এন্দ কাশ্মীর কেন্দ্র সাসিদ প্রদেশ (Union Territory) গী য়ুনিয়ন টেরিটোরি ত্রীনি। চিনার পাম্বী অসি হিন্দি অমসুং উর্দুদা চিনার (Chinar), ইংলিসতা ওরিয়েন্টেল প্লেন ত্রী (Oriental Plane Tree), কাশ্মীরিদা বুয়িন (Buin নৎত্রগা Boueen), চাইনিজদা ফাগুও ৱুতোং (Faguo Wutong) নৎত্রগা সেন কিয়ু ক্ষানলিংমু (San qiu Xuanglingmu), জপানিজদা সুজুকাকেনোকি (Suzukakenoki), সাইন্টিফিক নৎত্রগা বোটানিকেলগী ওইবা মমিংনা প্লেটেন্স ওরিয়েন্টেলিস (Platanus Orientalis L.) নৎত্রগা প্লেটেন্স ভলগেরিস (Platanus Vulgaris Spach) নৎত্রগা প্লেটেন্স ইলোঙ্গাতা (Platanus Elongata Stued) নৎত্রগা প্লেটেন্স অন্দুলাতা (Platanus Undulata Steud) নৎত্রগা প্লেটেন্স অম্ব্রোসা (Platanus Umbrosa Salisb.) হায়না কৌই অমসুং প্লেটেনেসী (Platanaceae) শাগৈগী মনুং চল্লি। শাগৈ অসিগী মনুংদা প্লেটেন্স হায়রিবা জিন্স অমখক লৈ অমসুং জিন্স অসিগী মনুংদা স্পিসিস্ ১২ লৈ।



চিনার পাম্বী অসিগী স্পিসিস্কী ওইবা মমিং ওরিয়েন্টেলিস হায়বগী ৱাহন্থোক্তি নোংপোকলোমগী (Eastern) হায়বনি অমসুং মসিগী মায়োক্ল বদা হায়বদি নোংচুপ লৈবাক (ৱেষ্টর্ন প্লেন-অমেরিকান সিকেমোর-প্লেটেন্স ওসিদেন্টিলিস) হায়বা স্পিসিস্ অসি লৈ। চিনার পাম্বী অসি দেসিদুঅস হায়বদি নাকেন্থাগী মতমদা মনা য়াম্না কেনগনবা ফুট ৯০ রোম ৱাংবা উজাও পাম্বী অমনি। পাম্বী অসি চীংগী লোক্কী মপালদা হৌগনবা চহী চা খরা পূন্সিবা পাম্বীনি। চিনার পাম্বী অসি নোংচুপলোমদা পেলেষ্টাইনদগী হৌরগা নোংপোকলোমদা হিমালয়গী লমদমশিংদা মহৌশাগী ওইনা হৌজৈ। চিনার পাম্বী অসি পরেং (এলদর), ৱিলো অমসুং পোপ্লার পাম্বীশিংগা পূন্না হৌমিন্নবা থেংনবীগনি। পাউদম অমগী মতুংইন্না অজর্বাইজানদা লৈবা ঘীরমিজি (Ghirmizi) কৈথেলদা হৌরিবা চিনার পাম্বীগী মখোক অদু ফুট ১৬.৪ চাউই অদুগা মসা-মরেং অদু ফুট ৫১.৫৪ ফাওবা শন্দোক্তুনা হৌই।

টেহরানদদি চিনার পাম্বী অসি পারী-পুরীগা মরী লৈনবা পাম্বী অমা ওইনা লৌনৈ অমসুং পাক-শন্না থানৈ। পাম্বী অসি গ্রীক্কী ফাওখিবা ফিজিসিয়ন অমসুং ফিলোসোফর হিপোক্রেটিস (Hippocrates) ময়াম্না থোইদোক-হেন্দোক্না ফাদর ওফ মেদিসিন হায়না ফাওখিবা মীওই অদুনা য়াম্না তোয়না চিনার পাম্বীগী মখাদা লাইরিক পাখি হায়বগী পাউদমশিং লৈ। এথেনিয়া একাদেমি (Athenia Academy) গী মহৈরোয়শিংনা একাদেমি অসিনা শেমগৎপা চিনার পাম্বী উমংগী মখাদা ফিলোসোফি তম্বগী ৱাফমশিংসু থেংনৈ। ইন্দিয়াগী ওইনা কাশ্মীর তম্পাক্কী অয়াম্বা মফমশিংদা চিনার পাম্বী অসি পাম্না অমদি পাক শন্না থানৈ অমসুং মসি ধর্ম্মগসু মরী লৈনৈ। চিনার পাম্বী অসি ১৪শুবা চহী চাদা ইরানদগী কাশ্মীরদা পুরক্তুনা থাবা হৌখি হায়না মুস্লিমশিংনা লৌনৈ অদুবু কাশ্মীরগী হিন্দুশিংনদি পাম্বী অসি হিন্দুগী লাইরেম্বী ভাবানি (Bhavani) গী লাইশঙগী অকোয়বদা য়াম্না লিরবা মতমদগী থানরক্লে হায়না থাজনৈ অমসুং ঙসিসু পাম্না থানরি। ঙসিদি চিনার পাম্বী অসি পাক-শন্না য়ান্থৎপা থেংনরি। পাম্বী অসি কাশ্মীরদা য়ানবগী অথিংবা কুমজা ২০০৯দা থমখি। চিনার পাম্বী অসি জম্মু অমসুং কাশ্মীরগী লন-থুম অমা ওইনা শকখঙদুনা পাম্বী অসিবু মশক খঙদোক্তুনা মখোঙদা অঙৌবা শুনু তৈশিন্দুনা ঙাক শেনবগী থবক লৌখৎলি। নশিম বাঘ (Naseem Bagh) হায়রিবা শ্রীনগরগী মনাক্তা লৈবা হৈকোল-লৈকোল অসিদা কাশ্মীর য়ুনিভর্সিটিনা চিনার পাম্বী ৭০০ হেন্না থাদুনা চিনার হেরিটেজ পার্ক অমসুং শেমগৎখিবগী পাউদমসু লৈ।

চিনার পাম্বী অসি মীওইবনা কান্নরবা হীরম কয়ামরুমদা শীজিন্নৈ। অজাদ জম্মু এন্দ কাশ্মীর (Ajad Jammu & Kashmir) দদি চিনার পাম্বীগী মনা অদু জাতিগী সিম্বোল অমা ওইনা লৌনবগী পাউদম লৈ।

হায়রিবা অসি অজাদ জম্মু এন্দ কাশ্মীর য়ুনিভর্সিটিগীসু সিম্বোল ওইনা শীজিন্নৈ। কুমজা ২০১০গী ইন্দিয়াদা পাঙথোকখিবা কম্মনৱেল্থ গেমস (Commonwealth Games) কী হৌদোকপা থৌরমশিংদা 'ত্রী ওফ নোলেজ' গী শরুক্তা চিনার পাম্বী অসি মপূং ওইনা য়াওখি।

হীদাক ওইনা চিনার পাম্বীগী মনা অদু শুগাইরগা অফবা ঈশিংদা পুং খরা তিংলগা চুমথোক্তুনা লৌবা মহী অদুনা চাং নাইনা মীৎতা হাপ্তুনা ওপথালমিয়া (Ophthalmia) হায়না খঙনবা মীৎ ঙাঙবা, পি তাবা, হাক্লচবা, পোমথোকপা অমদি নাবা ফাওবা অদু লায়েংনবগী পাউদমশিং লৈ।

পাম্বী অসিগী নৌতক তৌবা মনা অদু শুগাইরগা লৌবা মহী অদু পীথক্তুনা ঈতোন ফায়বা অদু লায়েংনৈ। হায়রিবা মহী অদুনা চাং নাইনা তৈদুনা চিলব্লেইন্স (Chilblains) হায়না খঙনবা উনশাগী লায়না অদুসু লায়েংনৈ। অতোপ্পা পাউদম অমগী মতুংইন্না চিনার উগী মকু অদু ভিনেগর মহীদা শৌহল্লগা লৌবা মহী অদু পীথকপদা খোঙ হামথবা অমসুং ঈতোন ফায়বা অদু ফহনবা ঙম্মী। হায়রিবা অদু হর্নিয়াদসু কানহনবগী পাউদম লৈ। চিনার উগী মকু অদু শুগাইরগা য়াখোঙদা থোম্বদা য়ারি-য়াখোঙ চীকপা অদু ফহনবা ঙম্মী। চিনারগী মসা অমসুং মরাদগী লং শংনবা মচু অমা শেম্নৈ। ●

পাউচে অসিদা ফোংজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।

